চান-থক্লবা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) :

ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন কে ঐচ লৈমনা কোভিদ-১৯ থিংননবগীদমক চঙশিল্লক্লিবা থবক থৌরমশিং মখা তানা চত্থরি।

ঙসিসু ককচিং খুনৌদা লৈবা হোল্লি ক্রোস ইংলিস স্কুল ক্বারন্টিন সেন্টরদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক চান-থক্লবা পোৎলমশিং ভলন্টিয়রশিংদা খুৎশিন্নখ্রে অমসুং ক্বারন্টিন সেন্টরগী অকোয়বদা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইটসু কাপথোকখ্রে। অমরোমদা, ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ৩গী মনুংদা লৈবা য়ুমথোঙ খূদিংমক্তা চঙদুনা মীপুম খূদিংমক থর্মেল স্ক্রিনিং তৌথোকপগী থবকসু চত্থবা হৌখ্রে হায়রি।

খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) :

কৈরাও মক্তিং জি পিগী ৱার্দ নম্বর ৯ উরুপকী জোন কার্দ হোল্ডরশিংগী খুৎশুমল পীথোক্তনা থন্বীবগী মায়োক্তা ঙসি জোব কার্দ হোল্ডরশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ৱাকৎ খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা জোব কার্দ হোল্ডর অমনা ফোঙদোরকপদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চত্থরিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু তৌশিনখিবদগী লায়রবা শিন্মীশিং খম থেংনা ৱারে। অদুবু মশাগী ওইজবা থিবা খরনা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা থৌওং মানবা মওংদা খুৎশুমল থিংজিল্লিবা অসি লাইবক থীবনি। ৱানরবা মীচম মীয়ামগী য়েংলগা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবদা খুৎশুমল পীথোকপীয়ু লোয়ননা মখা তানা থবক শুবা ফংহনবীয়ু হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

অৱাবা মায়োক্নরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিঙৈ চৈরক অসিদা শামুরৌগী মীয়াম্না থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরে হায়না শামুরৌ মোতুমনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিনা ফোঙদোরকপদা, শামুরৌ ৱাটর সপ্লায় স্কিমনা মতম খরগী মমাঙদদি থক্লবা অফবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহল্লম্মী। ঈশিংগী অৱাবসু লৈরমদে। অদুবু হৌজিক কোভিদ-১৯ খম থেংনা ৱারবা মতম অসিদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরে। ঈশিং ফংদবগী অৱাবা অসিনা মীয়াম কোক্তা খুৎ হাপ্লরে। মরম অসিনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মীয়ামদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহন্দ্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু লূপ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.452466
US Dollar	74.937770
British Pound	98.086257
Australian Dollar	53.676968
Chinese Yuan Renminbi	10.831616
Japanese Yen	0.708040
Malaysian Ringgit	17.919079
Singapore Dollar	54.634884
South Korean Won	0.062864
Saudi Arabian Riyal	19.983405
Thai Baht	2.372634
Myanmar Kyat	0.05499
Bangladesh Taka	0.88353

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	51655.00
Mumbai	–	Rs	51745.00
Delhi	–	Rs	51604.00
Kolkata	–	Rs	51926.00

GAS NEWS

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
Booking upto : 04/05/2020
Valid from : 30/04/2020
TIME: 11.00AM TO 2.00PM
ANY ENQUIRY AND BOOKING CONTACT NO. : 7629045883

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-30/07/2020
Valid from-21/07/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing:8:00AM to 2:00PM

PATSOI INDANE
Booking upto : 16/06/2020
Valid from : 12/06/2020
Stock : 306 (DBTL ONLY)
Home Delivery only
Contact No.+917005255105 & +919383082751
Call Timing : 8.00am to 12.00pm

৭৩শুবা সী পি আইগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) :

কম্মুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)গী ৭৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম ২০ হেনবদা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সী পি আইগী মপোক কুমওন থৌরম অসি মরুওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা পার্টি অসিগী লুচিংবা ডা. এম নর, এল সোটিনকুমার, এ লালা, কমরেদ এন সিংহজিৎ, এম জয়কুমার, কে ঐচ সুরচান্দ, আর কে অমুসনা, এস সোরোজিনি অমদি টি ঐচ শখিনচিংবনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শরুক য়াখি।

থৌরম অসি মরুওইনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী কমপ্লেক্সকী মমাঙদা লৈবা হিজম ইরাবতকী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ পাঙথোক্তুনা হৌদোকখি। লল্লাই অমসুং থৌবালদা পাঙথোকখিবা থৌরমশিংদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার অমদি নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরনা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়খি, হৌখিবা কুমজা ১৯৪৮তা পার্টি অসি লিংখৎখিবদগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। মসিদসু নত্তনা অওনবা মান্নবা খুন্নাই অমা থম্ননবা পার্টি অসিনা ঙসি ফাওবা হোৎনদুনা লাক্লি।

থৌবালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরনা হায়খি, সী পি আইদি শুরি-নোল্লিবা মীয়ামগীদমক্তা মতম চুপ্পদা লেপ্লকখিবা পার্টি অমনি। পার্টি অসিনা মণিপুরদা লিংলকখিবা চহী ৭৩ শুরক্লবা ফাওবদা মীয়ামগী য়াইফনবা হনবা লৈতনা হেৎনরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কাংমোংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কমরেদ এম জয়কুমার লুৱাংনা কাংমোং অমদি কোন্থৌজম এ সী অসি কম্মুনিষ্ট হৌরকপগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ হায়খি। থৌরম অদু সী পি আইগী ৭৩শুবা মপোক কুমওনগী স্লোগান লাউদুনা পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সেনিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) :

ব্রাইট রে ক্লব, ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায়না সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায়গা পুন্না খুৎশম্নরগা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার এন প্রবিনগী মতেংগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কোভিদ-১৯গী টেষ্টিং সেন্টর (আর এ টি) ওইরিবা ইম্ফাল কোলেজগী অকোয়বা অমদি মনাক নকপা মফমশিংদা ভলন্টরি মাস সেনিটাসজেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ব্রাইট রে ক্লবকী সেক্রেটরি টি ঐচ শান্তিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইম্ফাল কোলেজগী অকোয়বদা খারিবা ৱাল মনাক্তা লৈরম্বা অমোৎ-অকায় পুম্নমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সীগী মীৎয়েং মখাদা আই এম সীগী টিমনা শেংদোকহনবীখ্রে। হায়রিবা মফমসিদা কনাগুম্বা মীওইশিংনা মখা তানা অমোৎ অকায় হুন্দোকপীরগনু। করিগুম্বা হুন্দোরক্লবদি ব্রাইট রে ক্লবনা পেনাল্টি ওইনা লুপা লিশিং ৫/৫ ফাইন ওইনা লৌরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

টি কে আর সীনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) :

থোংজু এ সীগী মনুং চনবা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংনা থেংনরিবা অৱাবদা মতেং ওইননবগীদমক রিলিফ মেটেরিয়ল কয়া তেংবাং পীরকখিবগীদমক মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না থোংজু কেন্দ্র ভলন্টরি ৱর্করস কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটি কম্মিটি (টি কে আর সী)গী প্রসিদেন্ট এস ইবোবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা নুমীৎ হুম্নী অসিদা বাশিখোং মমাঙ লৈকায়গী মঙাল ক্লবনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা য়ুমথোঙ ২০, বাশিখোং কিত্নাপ পনুংদা লৈবা কম্যুনিটি রিক্রিএসন কম লাইব্রেরী (সী আর সী এল)না কোনবা মফমদা লৈবা ইমুং ৫১, থোংজু পার্ট ৱান নামৈরাকপম লৈকায়গী দিবাইন্দ ক্লবনা কোনবা ইমুং ৬১, উচেক্নোনগী পাউনা মেমোরিএল ক্লবনা কোনবা ইমুং ৩৪ অমসুং থোংজু পার্ট ৱান নিঙোমথোং মখা লৈকায়দা লৈবা ইমুং ৭কীদমক রিলিফ মেটেরিয়লশিং খুৎশিন্নবীরকখি। লোয়ননা থোংজু এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর ৭ চলাইনবা হোৎনবদা অঙম্বা তেংবাং পীবীরকখি। মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা কম্মিটি অসিনা কোভিদ-১৯ থেংননবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিংসু পায়খৎখিগনি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) :

সঙ্গীত নাটক একাদেমী, ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা ঐচ যু এল এ শিন্দমশঙ কৈশামথোং লাইশোম লৈরক্লা নুমীৎ মঙানি চুপ্পা চত্থরকপা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন ওফ থাঙ হাইরেল অদু লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা ঐচ যু এল এগী শিন্দমশঙগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু মহেশ্বরনা থৌরম মপু ওইদুনা সগোলবন্দ কাঙবম লৈকায়দা হৌখিবা ওগষ্ট ২২ দা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা মহৈরোয়শিংনা থাঙ-তাগী কাঙলোনশিংসু উৎখি হায়না ঐচ যু এল এ শিন্দমশঙগী সেক্রেটরি কে সুরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) :

লমদেং ময়াই লৈকায় যুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন এন্দ লাইব্রেরীদা খুন্দ্রাকপম কনবগী খুত্থাংদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া তেংবাং ওইনা লমদেং ৱার্দ নম্বর ৪গী মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা য়েন্থোকখ্রে। কোভিদ-১৯গী মতম অসিদা মীয়ামগী অৱাবশিং য়েংবীরগা তেংবাং পীবীরকখিবা অসিগীদমক্তসু খুন্দ্রাকপম কনববু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না লমদেং ময়াই লৈকায় যুথ এসোসিএসন এন্দ লাইব্রেরীগী সেক্রেটরি টি ঐচ জয় প্রকাশ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সোনিয়া গান্ধীনা কোংগ্রেস পার্টিগী...

লামায় ১গী মখা... প্রসিদেন্ট খনবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা করিগুম্বা মখলগী থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা লৈত্রি। অদুম ওইনমক গান্ধী ফেমিলিগী নত্তবা অতোপ্পা মীওই অমদা পার্টি প্রসিদেন্টকী ফম পায়হল্লবা য়াই। পূম্নমক অসি ওইদুনসু রাহুল গান্ধীবু পার্টিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইহন্নীংবা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর কয়া থোরক্লে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর কেপ্তেন অমরিন্দর সিংহনা হায়খি মদুদি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা গান্ধী ফেমিলিগী নত্তবা অতোপ্পা মীওই অমনা পার্টি প্রসিদেন্টকী ফম পায়বা মতাং মতম চাদে। সোনিয়া গান্ধীনা হেক ঙল্লিবমখে পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইনা লৈরবা মতুংদা তঙাইফদবা ফীভম লাক্লবদি রাহুল গান্ধীবু অনৌবা পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনবদা অকায়বা লৈতে। ছটিশগরগী চীফ মিনিষ্টর ভুপেস বঘেলনদি রাহুল গান্ধীবু পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইহন্দুনা মথংগী লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসকী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, পার্টিগী লুচিংবা খরনা অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবা মীখল পাঙথোকপগা লোয়ননা কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বরসু মীখল পাঙথোক্লগা খনগদবনি হায়না মোত পীনরকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী ভেটেরান লিদর সলমান খুর্সিদনা হায়খি মদুদি পার্টিগী প্রসিদেন্ট খন্নবা মীখল পাঙথোকপগী মহুত্তা য়ানবা অমা পুরক্তুনা মতিক চাবা মীওই অমবু ফম অসি পায়হনবনা খ্বাইদগী অফবা খোঙথাং ওইগনি। হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর খরা য়াওনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা ২৩না সোনিয়া গান্ধীদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা কোংগ্রেস মনুংগী ফীভমদা অহোংবা খরা লৈহন্নবা হায়জখি।

চৈরকসিদা, পার্টিগী মরু ওইবা ৱাফম কয়া খন্ননবা হয়েং সী দল্লিয়ু সীগী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) কে সী ভেনুগোপালনা ফোঙদোকখ্রে। ট্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, হয়েং অয়ূক পুং ১১ তাবদা ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা সী দল্লিয়ু সীগী মরু ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি। পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা মরু ওইবা মীফম অসি পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

ইরং থোং লানবা য়াদবদগী গাড়ী...

লামায় ১গী মখা... পুরক্তুনা হৌজিক শেম শাবগী থবক কন্না চত্থরি। থোং অসি লাইট ভেহিকলদি লানবা য়াই অদুবু হেভি ভেহিকলদি লানবা য়াদ্রি। ঙসি নুমিদাং নৎত্রগা হয়েং অয়ূক্তদি থোং অসি শেম্বা লোইরবা য়াই হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী অসি হৌজিক ফীভম য়াম্না ফত্তবনা ত্রক দ্রাইভরশিংনা পোৎ পুরগা লম্বী অসিদা গাড়ী থৌবদা অৱাবা অমা ওইরে। বরাক অমদি মক্রু এরিয়াগী লম্বী অসি হায়ৱে ওইদ্রে লৈখোম লৈনাংনা থল্লবা ক্বারি লম্বীগা চপ মান্নরে হায়রি।

মরকসিদা, এন ঐচ আই দি সী এলনা হায়ৱে অসিগী কৈমাইদগী শান্তি খুনৌ ফাওবগী শরুক্তা হৌজিক শেম শাবগী থবক কন্না চত্থরি। নেসনল হায়ৱে নম্বর টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীসু হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা নাগালেন্দগী কোহিমা টাউন মনাক্তা লম্বী নমথখিবা অমদি চীং নিংখাইখিবদগী হৌজিক ফাওবা মণিপুরগী গাড়ী কয়া লমখাংদা পন্দুনা লৈরি হায়রি।

কোংগ্রেস অমসুং পার্টি ১৬না দিলিমিটেসনগী মায়োক্তা...

লামায় ১গী মখা... কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নর ১৬না কোর্টতা ৱাকৎলিবনা কুমজা ২০০৭কী জন্যুৱারী ১৯দা মতমদুগী গৌহাটি হায়কোর্ট, ইম্ফাল বেঞ্চকী দিভিজন বেঞ্চনা রিট পিটিসন (পি আই এল) নম্বর ১৬ ওফ ২০০৫গী মতাংদা পীখিবা ফাইনেল জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু রেসপোন্দেন্টশিং অসিনা থবক্তা ওন্থোকহনবিয়ু হায়বসিনি। মরমদি ওর্দর অদুদা মণিপুরগী কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী দিলিমিটেসন অসি কুমজা ২০০১দা পাঙথোকখিবা সেন্সস অদুগী মনুংদগী অকক্লনা চীংগী সব-দিভিজন ৯গী মীকোক থিবগী থবকশিং অমুক হন্না পাঙথোক্লগা চত্থহনবীয়ু হায়বসিনি। লোয়ননা পাঙথোক্কনি হায়রিবা দিলিমিটেসন অসিগীদমক গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থোকখিবা ওর্দর নম্বর এস ও ৯০৫ (ঈ) তাং ২/২/২০২০ অমসুং নোটিফিকেসন নম্বর এস ও ১০১৫ (ঈ) তাং ৬/৩/২০২০ অদু মরক্কী ওইনা এক্স-পার্টে ষ্টে তৌবীয়ু হায়রিবা ওর্দর অমসুং নোটিফিকেসন অসি গেজেট ওফ ইন্দিয়াদসু ফোঙখ্রবনি হায়বসিনি।

পি আই এল অসি জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীগী দিভিজন বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। কোর্টনা পি আই এল অসি খন্নরকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা কাউন্সেল সাপম বিশ্বজিৎনা লেপখি। কোর্টনা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা কেস অসি মথং থাগী ৩দা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

চৈরকসিদা, পি আই এল অসিদা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা য়াওহনবিয়ু হায়দুনা ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম) অমসুং হুটেন অলেকজেন্দর অমসুং অদর্সসনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা মিসেলিনস কেস (পি আই এল) নম্বর ২১ ওফ ২০২০ অমসুং ২২ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখ্রে।

কোর্টনা এম সী (পি আই এল) শিং অসিসু লৌখৎলগা মসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে। নোটিশশিং অসি রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিং অমসুং এদিসনল সোলিসিটর জেনরেল এস সুরেসনা লৌখিবগা লোয়ননা কোর্টনা নোটিশশিং অসিগী পাউখুম চয়োল ৬কী মনুংদা পীরক্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মেটরশিং অসিসু মথং থাগী ৩দা লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

কোভিদ-১৯ মরকসিদা বাই-ইলেক্সন পাঙথোকপা হায়বসি মীয়াম্বু অশিবগী খয়াৎতা লংশিনবা তাগনি : পান্দম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯ মরকসিদা বাই-ইলেক্সন পাঙথোকপা হায়বসি মীয়াম্বু অশিবগী খয়াৎতা লংশিনবা তাগনি হায়না পিপলস এক্সন ফোর নেসনল দেম্মক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম)গী প্রসিদেন্ট য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা নত্তনা মালেম পুম্বগী ওইনা লাম্হেংনরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মরকসিদা মণিপুরগী ওইনসু হাংদুনা লৈরিবা এসেমব্লী সিট খরগী বাই ইলেক্সন তৌবগী ৱাফম লাক্লি। ৱাফম অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়বসি পান্দমনা ফাওজে। কোভিদ-১৯ নত্তবা নোর্মেল ওইবা মতমদা থোকপা ওইরম্লবদি কনানসু ৱা ঙাংনরোই। অদুবু হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদদি কুপ্না নৈনহৌদবা য়াদবা ৱাফম ওইরক্লি। মসি গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়াম পুন্না অফ-ফত্তা তানহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মায়কৈ কয়াদগী হায়নরক্লিবা ৱাফম কয়াসি গভর্ণমেন্টনসু থৌওইদবা চুল্লোই। পেন্দেমিক অসিগী মীশি-মীনাদি পুন্না ফংমিন্নগদৌরিবনি। ঐনা মিনিষ্টরনি মানা মীচমনি, রুলিং ওপোজিসন হায়বা খায়দনা শন্দোরক্লিবা লায়না-লাইচৎ অসি কমদৌনা ঙাকথোক্কনি হায়বা অসিনা হৌজিক্কী ওইনদি হেন্না মরুওইবনি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা হৌখিবা ওগষ্ট ২১দা বাই-ইলেক্সন অসিগীদমক চৎনগদবা গাইদলাইনশিং লাউথোকখ্রে। লুরিবদি গভর্ণমেন্টনা ফনা কন্না ওর্দর থোক্তুনা লাউথোক্লবা এস ও পি ঙসি ঙাকপা ঙল্লিব্রা। ৱাখল তাবদি মাল্লি অদুবু তশেংনদি ৱাখল তাদে। মণিপুর গভর্ণমেন্ট, সী এস ও লোয়ননা লোকল ক্লবশিংগী থৌমীশিংনা কন্না লাউ-খোংদুনা হোৎনরি অদুবু মায় পাকপদি ঙমদ্রি। কোভিদ-১৯না নাবগী মশিং, পোজিটিভ ওইবগী চাং অমদি লায়না-লাইচৎ অসিনা শিবগী চাংদি হেনগৎলক্লি। মসি পুলিসনা এক্সন লৌখৎপনা, ফাইন থিহনবনা অমদি জেলদা ফাওবা নমশিন্দুনা চৈরাক পীবনসু য়াদবগী ফীভমদা লৈরি। অদুনা চৈরকসিদা বাই-ইলেক্সন পাঙথোকপা হায়বসি তৌফম শুংথোক থোক্তবা থৌরাং অমদি ওইরি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯গী টেক্নিকেল এক্সপর্ট কম্মিটিগী অখণ্ড-অহৈশিংগী ৱাফম মতুংইন্নসু লাক্লিবা ওক্টোবর/নবেম্বর থাদদি লাইচৎ অসিনা নোংমদা মীওই লিশিংগী মথক্তা পোজিটিভ ওইরক্তুনা অৱাবা ফীভম অমা ওইরক্কনি হায়রিবনি। হৌখিবা থা ৫/৬ অসিদা থেংনখিবা অৱাবা ঐখোয় পুম্বনা খঙখ্রবনি। ইহান হানবা ওইনা অমখক পোজিটিভ ওইরকপদা মীয়াম পুম্বা শাথিনা অকিবা পোক্তুনা হেঞ্জিন্না চেকশিল্লুরে, অদুবু ঙসি মীওই ২২ শিরবা মতম অসিদদি কোমথোক্তুনা অকিবা ফাওদবগুম লৈনরি। মীপুম খূদিংগী চীন্দদি শাথিবা লায়না-লাইচৎনি হায়বা অদুগা তশেংনা এস ও পি ঙাক্লা চৎনরিব্রা হায়রগদি ঙাক্তবা অসিনি। গভর্ণমেন্টনা হায়বা, এক্সপর্টশিংনা হায়বা, সী এস ওশিংনা অমদি ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংনা হায়বা লৌবীদ্রগসু ইশা-ইশাদা লায়না-লাইচৎ অসিনা নারে হায়না অমুক্তং খনবীয়ু, মদুদা করি ওইগনি। লাইবক থীদুনা শিবা থোক্লবসু ইমুংগী মীওই অমত্তগা উনবা ফংদনা অদুম্মক লোইশিনখ্রগদবনি। কয়াদা থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা ফীভমনো। ইশা-ইশানা লায়না অসিনা নাদনবা চেকশিনবা হায়বা অসি নত্তনা উপায় শুংলৈমক লৈতে। মীনা হায়বা ঙাইগদবা নত্তে মরুওইরিবসি। ইশানা ৱাখল তানা চেকশিনবা অদুতনি।

হৌজিক হৌজিক গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিংগা সী এস ওশিংগী মীহুৎকা পুন্না শেম্বা জোইন্ট কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ কম্মিটি, পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ না ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিগী এক্সপর্টশিংগা পুন্না অমদি লোকলগী কম্মিটি কয়ানা পব্লিক এৱেয়ার্নেস পীবগী থবক য়াংনা চঙশিল্লি। মসি ফাওবদা মী পুনবা য়াদবগী অৱাবা কয়া অমা থেংনরিবনি।

বাই ইলেক্সন অসি ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী মতুংইন্না তৌদবা য়াদবা অমদি ওই। অদুম ওইনমক অসিগুম্বা সিচ্যুএসন অসি কনানা কমদৌনা ওইহল্লকখিবনো হায়বা হঙ্গৎনা য়েংলুবদা য়াম্না হায়নিংদবা শাউনিংবা অমদি ফাওরি। শিবা চঙবা অনীগী লানফম ময়াইদা খুৎলায় থাদোকখিবা পোলিটিসিয়নশিংনা থোকহনখিবা থৌদোকনি হায়বসি ঐখোয় পুম্বনা কাউদে। মশা-মশাগী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মীয়াম্বু অমদি মণিপুর মীয়াম্বু করিসু লৈতনা খন্দুনা মশাগী রাইট এন্দ দ্যুটিস অমদি রেস্পোন্সিবিলিটি পুম্বা তুংওইনরগা ফম থাদোকখিবা নৎত্রা। অদু ওইরবদি মতম খরা কোভিদ-১৯ হান্না থেংনখিসি। চুম্মী ইন্টরিম ভেকেন্সি লাক্লবদি থা ৬কী মনুংদা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লগা মেনশিনগদবনি। অদুবু সিচ্যুএসন অমদা নেচরেল দিজাষ্টর থোক্লবদি ইলেক্সন তৌগদ্রা, হায়বদি তমথীবা আর্থ ক্বেক, ফ্লন্দ, দ্রাউট, ৱার অমদি শাথিবা ইপিদেমিক মরক্তা কনষ্টিট্যুসন ঙাক্তুনা লৈবা য়াবা নত্তে। হৌখিবা জুন ১৭, ২০২০দগী এম এল এ, মিনিষ্টর লৈতবগা পাঙ্খক ওইনা কোভিদ-১৯ থেংনরক্লি। ঙসি হয়েংসু অদু মঙাই অদুম থেংনবা তাবনি। অমরোমদা বাই ইলেক্সনগী গাইদলাইন ফনা অকনবা থোক্লবসু ওর্দর অদুবু ইনবীদ্রগদি করি ৱাহন্থোক লৈরি। ইলেক্সন নোটিশ থোক্লগা নোমিনসেন ফাইল তৌবদগী হৌরগা ভোট কেম্প্যেন তৌবগী, মীটিং তৌবগী, ভোট থাদবগী রুলস কয়া ঙাক্লা চৎপা য়াগদ্রা। শেঞ্জাও পায়বা কয়াগী মতুংইনবা পাম্বশিংনা শিবা নাবা কিদনা হৌখিবা থা ৫/৬ অসিদা লোকদাউনগী চৈথেং নংলুরবা মীওই কয়ানা কেন্দিদেট তম্না ৱাখল তানা নৎত্রগা শুংতা তাদনা পুল্লপ-পুল্লপ হোৎচিন্নরক্কনি। অমরোমদনা কেন্দিদেট মশানা ভোট খোমহৌনবগীদমক লম্বী কয়া শীজিন্নরক্কনি। কমদৌনা চঙলক্কনু থিংগনি। সোসল দিষ্টেন্সিং, মাস্ক উপ্পা উপ্তবা, সেনিটাইজ তৌবা তৌদবা পুম্নমক পুমচাই চাইরগদবনি হায়বসি খল্লুবদা পান্দমনা ৱাফম অসি মীয়ামদা থমজবনি।

কেন্দিদেট অমদি ভোটরশিংদা নত্তনা ইলেক্সন কম্মিসননা ইলেক্সন মপুং ফানা পাঙথোক্লবা গভর্ণমেন্ট ওফিসল কয়া, সিক্যুরিটি পর্সনেল কয়া দ্যুটি থারক্কনি। গাড়ী কয়া অমা শীজিন্নরক্কনি, মখল মখা কয়াগী ময়াই কাবা পোৎলমশিং শীজিন্নরক্কনি। পুম্নমক অসি সী এস ওশিংনা হায়বা ঙাইদনা লৈঙাক্লসু হেন্না খঙবীরবনি। অদুবু ওইজবা খরনা মীৎ থক্লৎখিদুনা হিদান্নবা মায়কৈদা চিংদুনা পুবীরগা মীচম মীয়াম্বু অশিবগী খয়াৎতা লংশিনবীগনু। অচৌ-পিশক খায়দবা, লায়র-অনং থিদবা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিদগী ঐখোয় পুম্ববু অমুক্তং কনবীয়ু হায়না পান্দমনা গভর্ণমেন্টকী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তা চোংথোক-চোংশিন তৌদুনা মশাগী ফিরেপ য়াওদবা থৌওং অসি য়ানিংদে’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না অৱাবা চৈথেং কয়া নংদুনা লুরবা তাঞ্জা অসিদা লৈঙাক পায়রিবা অমদি ওপোজিসন্দা লৈরিবা পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তা খরনা চোংথোক-চোংশিন তৌদুনা মশাগী ফিরেপ য়াওদবা থৌওং অসি মমা ওইবীশিংনা য়ানিংদে হায়না পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর (পি এল এম পি এ এম)গী প্রসিদেন্ট লোংজম মেমচৌবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি ইরমদম মণিপুরদসু লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্তুনা মীশি-মীনা য়াওদুনা লমদমসিগী মীয়াম অৱাবগী মথক্তা অকিবা অমনা কুপশিন্দুনা হৌজিক শুফম নোম্ফম খঙদনা অৱা-চৈথেং কয়া মায়োক্নদুনা লৈরিবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা লাইচৎ অসি থিংননবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাং কয়াসু লৌখৎতুনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলিবনি হায়দুনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু মথং-মথং লাউথোক্তুনা থা ৫ রোম মীয়ামসি ৱানা খাংলক্লি। মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী অৱাবা মায়োক্নরিঙৈ চৈরকসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হোস্পিটাল অমদি পুলিস ষ্টেসননচিংবা মফম কয়া য়াওনা মণিপুরগী মফম কয়াদা কন্টেনমেন্ট জোন মথং-মথং লাউথোরক্তুনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা চৎথোক-চৎশিনগী অৱাবা মায়োক্নবা অমদি হোস্পিটাল কয়াদা অনাবা লায়েংবীদবগী থৌওং কয়াসু লেপ্তুনা থোক্লিবনি।

চৈরক অসিদা লৈকায় লৈকায়দা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং য়োনবা অমদি শীজিন্নরিবা অসিনা অমুক্কা হেন্না লায়না-লাইচৎ মরকসিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লি। কোভিদ-১৯ লাম্হেংনরিঙৈ মরকসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলম কয়াসু লেপ্পা লৈতনা মাঙহল্লবসু লমদমসিদা কদায়দগী কমদৌনা পুরক্লিবনো খঙদবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংলি। অসিগুম্বা ফীভমসি ওইবনা ইরৈচা খুদিংমক্লা ইশা-ইশানা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অমদি য়োনবগী থবকসি থাদোক্লগে হায়বগী ফিরেপ লৌফম থোকই।

ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি লন্নাই লূপশিংনসু অসিগুম্বা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী য়াম্না মতাং মতম চারবা ফীভমসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং থিংননবা হোৎনমিন্নরসি। কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা মরম ওইদুনা মীয়ামসিনা নোংমদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎচৈশিং মরাং কায়না অমদি অরাইবা মওংদা ফংবা ঙমদ্রবসু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিংদি মরাং কায়না ফংলিবা অসি অরোনবা এজেন্দা লৈরব্রা হায়বসি ঐখোয় খঙদোকমিন্নবা মথৌ তাই। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিবু লায়েংবগী থবক তৌগদৌরিবা হেল্থ ৱর্করশিং, ডোক্তর অমদি নর্স খরনা কিবদগী য়াম্না ইমর্জেন্সি, সিরিয়স ওইরবা অনাবা কয়া হোস্পিটালদা পুখৎলকপদা লায়েংবীদবদগী শিখিবা অমদি অঙাং উনবগী পুখৎলকখিবা মীরোনবী নুপী ফাওবা অঙাং উনবা ঙমদনা শিখিবগী থৌদোক্তু মরী লৈনবশিং অমদি মীয়াম্না নীংশিংফম থোকই। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লুরবা তাঞ্জা অসিদা পোলিটিসিয়ন খরনা চোংথোক চোংশিন তৌদুনা মশাগী ফিরেপ য়াওদবা মওংদা চত্থরকপা থৌওং অসি য়ানিংদে। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি লোইশিনখিননবা মীয়াম পুন্না লাম্হেংমিন্নসি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীফম পাঙথোক্তুনা অনৌবা প্রসিদেন্ট...

*লামায় ১গী মখা...*ওফিসরদা থারকখিবা চেরোল অদু মুন্না খঙদবগীনি হায়রি। চেরোল অদুদা ওইনাম জুগিন্দ্রোবু ও এস নম্বর ২৭ ওফ ২০১৭ (তাং ৭/১/২০১৯)গী কোর্টকী মতুংইন্না পার্টিগী থা ৬কী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা শকখঙখি হায়রিবা ৱাফমসি মুন্না খঙদবগীনি হায়রি। মরমদি ফেব্রুৱারী ৪, ২০১৮দা পার্টিগী জেনরেল কনফরেন্সনা খনখিবা পার্টি প্রসিদেন্টকী ইলেক্সন অদু য়াবিয়ু অমসুং প্রসিদেন্ট ইলেক্সন লোইরবা মতুংদা হাপখিবা ওফিস বিয়ররশিংগা লোয়ননা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী লিষ্ট অদুসু হাপচনবনি হায়না খঙহনখ্রবনি হায়রি।

অদুবু মার্চ ২৪, ২০১৯গী দরখাষ্টতা য়ূম্ফম ওইরগা ঈ সী আইনা মার্চ ২৬, ২০১৯দা থারকখিবা ও জুগিন্দ্রোবু ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইবা য়ারে হায়রিবা ৱাফমসি লাইখুরাম অপাবীনা কোর্টতা থারকপা মিসেলিনস জুদিসল কেস নম্বর ১৪৮ (ও এস নম্বর ১৬ ওফ ২০১৯ (তাং ১১/৩/২০১৯) অমসুং এল অপাবি নত্তবা ও জুগিন্দ্রোগী মায়োক্তা লৈবা গ্রুপশিংনা ওফিস বিয়রর খনবগী কেস খুদিংমক লোইশিল্লবা মতম ফাওবা চৎনগনি হায়বনি হায়রি।

মার্চ ২৪, ২০১৯দা পার্টিনা ঈ সী আইদা থাখিবা দরখাষ্ট অদুদা পার্টিগী ওফিস বিয়াররশিং অমসুং মদুগা লোয়নবা সেন্ট্রেল কম্মিটি মেম্বরশিংগী লিষ্ট কম্মিসন্দা থাগৎপা লৈখ্রে হায়রি। হৌজিকমক্কী ওইনদি ফেব্রুৱারী ৪, ২০১৮দা পাঙথোকখিবা পার্টি কনফরেন্সনা খনখিবা ও জুগিন্দ্রোনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা মহাক্কী ওফিস বিয়ররশিংগা লোয়ননা থবক পুরি হায়নসু ফোঙদোক্লি। লোয়ননা পার্টিদা লৈরিবা চরাংনবসি ৱারী শানরগা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

এ আর পর্সনেলশিংনা মীচম মীয়ামদা...

লামায় ১গী মখা... থৌওংনি হায়না মরাল শীরদুনা চেরোল অসিনা হায়, এ আরনা লানগা মান্নবা ফীভম অমা ওইহল্লক্লগা মতৌ করম্না ইন্দো-নাগা পিছ প্রোসেস চত্থগদৌরিবনো হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এননা খূৎয়েক পীনখিবা সিজ ফায়রগী গ্রাউন্দ রুলদা অসাম রাইফলসনা অফস্পাগী মীংদা য়ূমথোং খুদিং চঙদুনা থিবা-হুম্বগী থবক চত্থবা য়ারোই হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা য়াওরি। গ্রাউন্দ রুলদা য়াওবা ৱারোলশিং নাকল অনীমক্না অমত্তা ওইনা য়ানখ্রবনি হায়বসি অসাম রাইফলসনা নীংশিংবা চুমগনি।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা খুদোংথিনীংঙাই ওইবা মওংদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি অসাম রাইফলসকী মফমদদি করিসু লৈতবা অমা ওইনা লৌরে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, মথৌ পাঙথোক্লিবনি হায়বগী মীংদা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা কোয়চৎ চৎপগী থৌওংনা মীচম মীয়ামদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা য়াই। এ আরগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পর্সনেলশিংবু বেরেক্তগী হেন্দোকহন্দনা থম্বগা লোয়ননা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবা হোৎনফম থোকই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মীরোনবীশিং অঙাং উন্নবা হোৎনবদা...

*লামায় ১গী মখা...*অদুমক তৌথোকনিংই। অদুবু অথাপ্পা মফমশিংদগী লাকপা মীওইশিংগীদমক্তদি কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মরক অসিদা মীরোনবী অমবু পুথোক পুশিন তৌদুনা টেষ্ট তৌনবা হোৎনবা হায়বসি অরাইবা থবক অমদি নত্তে। প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অমদি গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা খুদোংচাবসু লৈতে। মী অয়াম্বনা মীরোনবী নুপীশিংগী ওইনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবগীদমক ববিনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টরদা টেষ্ট তৌনবনি হায়না খঙহল্লকপদগী মফম অদুদা চৎলগা টেষ্ট তৌখি। মফম অসিদসু শুপ্পগী মীরোনবী নুপীশিংখক্তা নত্তনা অতোপ্পা মীওইশিংগীসু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা মরমনা রিপোর্ট লাকপদা য়ামদ্রবদা নুমীৎ খরনিদি অদুমক চঙই। মীরোনবী নুপীশিং অমদি ইমুং-মনুংশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং য়েংবিরগা লৈঙাক্লা অমদি মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অখন্নবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎপিনবা মীওই অদুনা লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।

অমরোমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংশিংগী মীরোনবী নুপীশিংনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থোরক্ত্রিঙৈ মমাংদা অঙাং উনবগী থবক লৈঙাক্কী অচৌবা হোস্পিটালশিং অমদি দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা পব্লিক হেল্থ সেন্টরশিংদা অদুমক তৌরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা পব্লিক হেল্থ সেন্টর অয়াম্বা কোভিদ ক্যের সেন্টর ওন্থোকখ্রবা অমদি হাংনদবা য়াওবা মরমনা খুদোংচাবা অদু লৈত্রে। গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা শেলফম খরা চঙলবসু চঙনা অদুমক য়াম্না লাইনা অঙাং উনরম্মী। অদুবু হৌজিক গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা খুদোংচাবা অদু ফংলিব্রা ফংদবরা হায়বসু চপচানা খঙদে। মীওই খরা অমনা হায় হান্না য়ারমদ্রগসু হৌজিক অদুমক অঙাং উনবগী খুদোংচাবা লৈরে। অদুবু পাউ অসি চপচানা খঙনদবনা লৈত-লায়রবা অথাপ্পদগী লাকপা মীওইশিংনা অতোপ্পা পাম্বে লৈতবনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা মীঙোন্দগী শেল পুশিন্দুনা অঙাং উনবা য়াওনরে। প্রাইভেট হোস্পিটালদা য়াল্লবা শেনফম কয়া চঙলিবা অসিগী মথক্তা তোঙান্না অমুক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা লুচিংবশিংনা পোলিটিক্সকী ফম মুন্নবগী থবকশিং নাথৈরল্লগা লৈবাক অসিগী মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি মশাগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা থেংনরিবনি খন্না পুকচেল শেংনা মীয়ামগীদমক থবক তৌহন্নিংই হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, হৌজিক লৈবাক মীয়াম লোয়না ৱানরিবা মতমনি। লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংশিংনা থবক শুফম-নোমফম লৈতবনা অমুক্কা হেন্না ৱাবা হায়বদু ওইরিবনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অনা-লায়েংবগী মতাংদা মতম-মতমগী ওইনা মীয়ামগীদমক লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা চপচাবা ইনফোর্মেসন ফংহন্নবা তঙাইফদনা হোৎনবিয়ু। মদু ওইরবদি মীয়াম্না ককঙাউননা হোস্পিটাল অমদগী হোস্পিটাল অমদা চেন্নবগী অৱাবা অদু কোকপা ঙমগনি। লোয়ননা মীরোনবী নুপীশিংগীদমক লৈঙাক্কী ওইবা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌফম অমসুং অঙাং উন্নবা মফম শিনবিরবদি ইমুং-মনুংশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অদুদগী খরদং ওইরবসু কোকপা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।